HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur
Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)



থৌবাল নিঙোম্বমগী ইভর গ্রীন ফ্লৱরস স্কুলগী সনা ফুদোংবা থৌরমদা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট ওক্রম ইবোবীনা স্কুল অসিগীদমক কথোরক্লবা অহল অহুমদা খুদোল তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎপা

লৌশিং পূক্কে : মীরোল্লিঙৈ মতমদা নুপীশিংবু... লামায় ২
লামায় ৪ টাইৱানদসু শজিবু নোংমা পানবা চৈরাওবা
"মৈতৈ নোংশা মমিংতা ঙাইরে-!" লামায় ৫
লামায় ৬ এন আর সী পাঙথোক্ত্রিঙৈদা মীকোক থীনবা...
লান ঙম্লে পোঙজরিবা য়ু এসনা ইরানদা... লামায় ৮
লামায় ১০ রেগু ইভেন্টতা মণিপুরগী নুপীমচা টিমনা...


কেম্পেন ফোর জষ্ট এন্দ ফেয়র দিলিমিটেশনগী মীৎয়েং মখাদা অপুনবা নুপী লূপ, মোইরাং য়ুনিটনা মীতোপ খন্দ্রোক্ত্রিঙৈদা সেন্সস পাঙথোকপা য়ারোই হায়দুনা মোইরাংদা চঙশিনখিবা খোঙজং




Vol. 51, Issue No. 003 | শগোলশেন, শজিবুগী ৮নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, March 26, 2026, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

## চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা ১না ফাওবা এপ্লাই তৌরকখ্রবসু এম য়ুগী ১৫শুবা কনভোকেশনদদি নন-একাদেমিক 'ওনরেরি ডোক্টরেট দিগ্রী' পীররোই

হুইয়েন ব্যুরো




**ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ২৭কী অয়ূক পুং ৯.৩০ তারকপদগী মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ওদিটোরিয়মদা মহৈকোল অসিগী চীফ রেক্টরসু ওইরিবা গভর্ণর এ কে ভল্লানা চীফ গেষ্ট ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা এম য়ুগী ১৫শুবা কনভোকেশনদা মহৈকোল অসিগী তোঙান-তোঙানবা সবজেক্টশিংগী রিছর্স স্কোলরশিং ডোক্টরেল দিগ্রী (পি ঐচ দি) লাম্বোক্লবা থৌরাং তৌরকপদা মহৈকোল অসিগী মায়কৈদগী শক্লাইরবা মীওই খরদসু মখোয়না লৌখিবা থৌদাংশিংবু শকখঙলদুনা নন-একাদেমিক 'ওনরেরি ডোক্টরেল দিগ্রী' পীগদৌরিব্রা হায়বগী ৱাহং মায়কৈ কয়াদগী হংনরকপদগী পাউচে অসিনা ঙরাংদগী হৌরদুনা ৱাহং অসিগী পাউখুমগী খোঙ্গুল লীরকপদা ঙরাং কনভোকেশন অসিগা মরী লৈনবা রিপোর্টশিং খোমজিল্লবসু হীরম অসিগী মতাংদা এম য়ুগী রেজিষ্ট্রারদা হংদুনা কনফার্ম তৌনবগীদমক টেলিফোন তৌরুবদা পায়খৎলকখিদ্রবা মতুংদা চথুরকখিবা ইনভেষ্টিগেশনদা ফংলকপা রিপোর্টতদি হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা কনভোকেশন অসিদদি রিছর্স স্কোলরশিং নত্তনা লন্নাই মীওই খরদা ডোক্টরেল দিগ্রী পীবগী ৱাফম লৈত্রে হায়রি।

চহী খরা পাঙথোরক্ত্রবা এম য়ুগী কনভোকেশন পাঙথোক্লবা হোৎনরকপদা ফেব্রুৱারী ১৩,২০২৫দগী মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুল চৎনহল্লক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা লৈরম্বা লৈঙাকপু চীফ মিনিষ্টর ওইনা লুচিংলম্বা মীওই অমনসু মঙোন্দা 'ডোক্টরেল দিগ্রী' পীনবা মহাক্কী বাইও-দাটানচিংবা এম য়ুগী মরী লৈনবা ওথোরিটিদা থাগৎখ্রবনি হায়বা ৱাফম ৱাহং অসিগা লোয়নরকপদগী তশেংনমক মহৈকোল অসিগী মায়কৈদগী মহাক খক্তা নত্তনা মণিপুরগী লৈখিদ্রবা অনী য়াওনা হৌজিক হিংলিবা শক্লাইরবা মীওই অনীদা হায়রিবা দিগ্রী অসি পীগদৌরিব্রা হায়নসু ইন্টলেকচ্যুএল সর্কলশিংদগী হংনরকপনি।

ৱাহং অসিগী চপ চাবা পাউখুম ফংননবা পাউচে অসিনা চথুরকপা ইনভেষ্টিগেশনদা ফংলকপা রিপোর্টশিংগী মতুংইন্নদি থা অসিগী ২৭তা পাঙথোক্লগদবা ১৫শুবা কনভোকেশন অসি এম য়ুগী 'ওর্দিনরি কনভোকেশন' নি। মসিগী মমাঙ কুমজা ২০২৫গী অরোইবা শরুক্তা মহৈকোল অসিগী 'স্পেশল কনভোকেশন' অমা পাঙথোক্লনবা থৌরাং ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## লিতান : কুকি মিলিটেন্ট ১সুং ভোলন্টিয়রশিংগী মরক্তা নোংমৈ কাপ্নখ্রে কম্বাইন্দ সিক্যুরিটি ফোর্সনা চঙশিন্দুনা বঙ্কর ২২ থুগাইখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচএনএস) :**

লিতান পি এসনা কোনবা কুকি অমসুং তাঙ্খুলশিংনা খুন্দাবা খুলশিংগী মরক্তা কুকি মিলিটেন্টশিং অমসুং তাঙ্খুল ভোলন্টিয়রশিংগগী মরক্তা লেপ্তুনা খূৎ থোক্লরকপদগী নোংমৈ মরু অমসুং বোম মচেৎনা পান্দুনা খুঞ্জাশিং অশোক অপন নংবা য়াওরক্লবসু ঙরাং নুমিদাং অমসুং ঙসি অয়ূক্কী লোন্নবা অহিংগী নোংয়াই মতুং পুং ১২.৩০ রোম তারকপদা জালেনবুং খুলদগী কুকি মিলিটেন্টশিংনা থৱায় তাঙ্খুল খুল তম্না নোংমৈ কাপ্লকপদগী তাঙ্খুল ভোলন্টিয়রশিংনসু হন্দুনা খূৎ থোক্লখ্রে হায়রি।



পুলিসতগী ফংবা পাউগী মতুংইন্না থৌদোক অসিদা নাকল অনীগী মরক্তা অশোক অপন য়াওখিদে অদুবু ঙসি নুমিদাং পুং ৭ লোম তারকপদসু কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী চছাদ পি এসনা কোনবা মফম অমদগী কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপ্লকখ্রে হায়রি।

থৌদোক অসিদসু অশোক অপনদি য়াওখিদে। অদুম ওইনমক লিতানদা থোরক্লিবা থৌদোকশিং অসি লাকশিন্নবগীদমক কম্বাইন্দ ফোর্সনা লৌখৎলকপা থৌরাংগী মখা চথুরকপদা ঙরাং নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তারকপদগী লৈঙাং চীং, সিকিবুং, লিতান অমদি মোংকোট চেপুনচিংবা খুলশিংদা চঙশিন্দুনা থি-হুন্দগী থবক চথবদা বঙ্কর ১৬ থেংনবদগী থুগাইদুনা মাঙহনখ্রে। বঙ্করশিং অসিগী মনুংদা সিকিবুংদা ৯ অমসুং লিতানদনা অনী লৈরমখিবনি।

অমরোমদা, ঙসিসু কম্বাইন্দ ফোর্সনা মোংকোট চেপু অপর খুলদা চঙশিন্দুনা থি-হুন্দগী থবক চথবদা অতোপ্পা বঙ্কর ৬ থেংনবদগী থুগাইখ্রে। পূন্না হৌজিক ফাওবদা থুগাইবা বঙ্করশিংগী মশীং ৩০ হেল্লক্লে হায়রি।

কম্বাইন্দ ফোর্সকী মায়কৈদগী নাকল অনীগী মরক্তা মখা তানা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক থোরকহন্দনবা মিৎ-না শিংনা ঙাক শেনবা হৌরে হায়রি।

## হু থক্কুনা শিজগে তৌরম্বা মীওই পুলিসতা শিন্নখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ২৫ (ঐচএনএস) :** লিলোং হাওরৈবি কোলেজ মনাক্তা লৈবা লিলোং হঙ্গামথাবীগী হঙ্গামথাবী য়ুথ ক্লব (ঐচ ৱাই সী) গী জেনরেল সেক্রেটরি য়ুনুস খানগী চেরোল অমদা ক্লব অসিনা কোনবা লিলোং হঙ্গামথাবী খুলদা খোংজোম ময়ায় লৈকায়দগী মুতুম দামুদোরগী মচানুপা গোপেশ্বর (৪৬) কৌবা মীওই অমা নুমিদাংগী মতমদা লাক্লগা তীল ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## কম্মিশননা কেঠলিক স্কুলদা নুমিৎ ১০নিগী মনুংদা দোক্যুমেন্টরি ইভিদেন্স পীরক্নবা খঙহনখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচএনএস) :** কাঞ্চিপুরদা লৈবা কেঠলিক স্কুলদা মমাঙ থাগী ৬তা মহৈশঙ অসিদা ক্লাস টু/বিগী পীক্লিবা মহৈরোয় অনীদা অন-লোফুল দিটেন্সন তৌদুনা মেন্টেল হরাসমেন্ট চথখিবগী কমপ্লেন্টশিং ফংলে হায়না মণিপুর কম্মিশন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসকী চ্যেরপর্সননা ঙসি স্কুল অসিগী প্রিন্সিপালদা পীখিবা 'ষ্টেটুটোরি নোটিস' অমদা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা নুমিৎ ১০নিগী মনুংদা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা প্যুপিল টিচর রেসিও (পি টি আর) গী অপীবা নোর্মসকী মতুংইন্না থবক লৌখৎপা অমসুং স্কুল অসিদা ওভর ক্রাউদিং থোকহন্দনবা লৌখৎপা থবক্কী দোক্যুমেন্টরি ইভিদেন্স পীরক্লবা খঙহনখ্রে হায়রি।

কম্মিশনগী চেরোল অদুনা ফোঙদোকখিবশিংগী মনুংদা সী সী টিভি ইভিদেন্সশিংনা সপোর্ট তৌবা ৱাঙ্গৈইগী জেদ ঈ ওগী ফাইন্দিংশিং অমসুং স্কুল অসিগী প্রিন্সিপালনা মমাঙ থাগী ৭তা থোকপা সস্পেন্সন ওর্দর অদুনা ফেব্রুৱারী ২, ২০২৬তা স্কুলগী ফাইনেল বেল মতুংদা পীক্লিবা অঙাং অনীবু রাইটস ওফ চিলদ্রেন টু ফ্রী এন্দ কম্পলসরি এদ্যুকেশন এক্ট-২০০৯গী সেক্সন ১৭পু ভাইওলেশন তৌই হায়বসি কনফার্ম তৌরে হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

অদুগা ওজা অমখক্তগী মখাদা ক্লাস টু/বিগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## চীফ মিনিষ্টর খেমচান্দনা প্রসিদেন্টদা মণিপুরগী ফীভমশিং পাউদমখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচএনএস) :** ঙরাং নুংথিল ন্যু দেল্লীগীদমক ইম্ফাল থাদোকখিবা চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা ঙসি রাষ্ট্রপটি ভবনদা প্রসিদেন্ট দ্রোপদি মুরমুগা উন্নদুনা হৌজিক মণিপুরদা ওইরিবা ফীভমশিং হকথেংননা পাউদমখিবগা লোয়ননা ফীভমশিং অসি মণিপুরগী মীয়াম্না অমত্তা ওইমিন্নদুনা নুংশি-চান্নবনা ঈং-তপ্পা পুরকহন্দুনা ৱারোইশিন



পুরকপা ঙমগনি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

চীফ মিনিষ্টরনা মহাক্কী সোশল মীদিয়া ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## উরিপোককী নম্বুল তুরেল মপান্দা রিটেনিং ৱাল চনবগী মতাংদা হংবা ৱাহং ১২গী পাউখুম পীরক্ত্রে

### ৱাটর রিছোর্সেস লোয়শঙগী ফর্ষ্ট আপ্পীলেট ওথোরিটিদা ফর্ষ্ট আপীল ফাইল তৌখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচএনএস) :** উরিপোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চল্লিবা নম্বুল তুরেল তোর্ব্বান্দা রিটেনিং ৱাল চনবগা মরী লৈননা লৈঙাক্কী ৱাটর রিছোর্সেস লোয়শঙদা আর টি আই এক্ট-২০০৫গী সেক্সন ৬ (১)গী মখাদা তোঙান তোঙানবা ৱাহং ১২ হংবগা লোয়ননা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং পীবিনবা হায়জরুবদা এক্ট অসিগী সেক্সন ৭(১)গী মখাদা নুমিৎ ৩০নিগী মনুংদা পাউখুম পীগদবনি হায়রবসু মতম অসি হেন্দোরক্লবা ফাওবদা পাউখুম পীরক্তবদগী আর টি আই এপ্লিকান্টনা লোয়শঙ অসিগী ফর্ষ্ট অপ্পীলেট ওথোরিটিদা ঙসি ফর্ষ্ট আপীল ফাইল তৌখ্রে।

আর টি আই এপ্লিকেশন অসিগী এপ্লিকান্টগী মমিংনা নিংথৌখোংজম রাজেস (থানিল) কৌই। মহাক ৱার্দ নম্বর ৬ য়ুনাইটেদ ক্লব, উরিপোককী জেনরেল সেক্রেটরিনি হায়রি।

এপ্লিকান্ট অসিনা লোয়শঙ অসিদা হংবা ৱাহংশিংগী মনুংদা উরিপোক এ সীগী ওইনা হৌখিবা চহী মঙাদা নম্বুল তুরেল তোর্ব্বান পরিংদা রিটেনিং ৱাল চনবা, রিপ্যারিং তৌবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## চূড়াচান্দপুরদগী মীওই ২ অসামদা হিরোইনগা কোন্ননা ফারে

**ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচএনএস):**

অসামগী স্পেশল টাস্ক ফোর্স অমসুং কামরুপ পুলিসনা অতম্বনা চথুরকখিবা ওপরেশন অমদা ষ্টেট অদুগী অমিনগাওনদগী মারুটি কার (ইর্টিগা) এ এস -০১/বি ক্যু-৫৬৫১দা পুরকখিবা মালেমগী কৈথেলদা লুপা ক্রোর ৩ লোমগী মমল ওইগদবা সাপোন কেপ ২৫দা হাপ্লকপা হিরোইন গ্রাম ৩৫০ ফারে হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## য়ু জি অমা ফারে

**ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচএনএস):**

পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমদা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী কৈশামথোং হোদাম লৈরক্তগী হৌজিক্লা পাৎশোই পার্ট টু অৱাং লৈকায়দা লৈবা অসেম সুভাস এলিয়জ লিংজে লখোম্বা (৩০) কৌবা কাদর অমা মোবাইল ফোন অমগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

## বোম পোকখায়হল্লম্বগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচএনএস):**

ঙরাং নুমিদাং অমসুং ঙসি অয়ূক্কী লোন্নবা অহিংগী নোংয়াই মতুং পুং ১২.০৪ রোম তারকপদা কোংপাল নিংথৌবুং লৈকায়দা লৈবা কোংগ্রেসকী লেবর দিপার্টমেন্টকী চ্যেরমেন তোইজম লোকেন্দ্রোগী থোঙ্গালদা হেন্দ গ্রেনেদ অমা লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লম্বা থৌদোকপু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা কোংপাল য়ুথ দিভেলপমেন্ট ক্লবকী মেম্বরশিংনা কোংপাল নিংথৌবুং লৈকায়, খাইদেম লৈকায়, কোঙ্খাম লৈকায় অমদি চীঙ্গাংবম লৈকায়গী মৈরা পায়বীশিংনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## ষ্টেট লেভেল য়ুথ পার্লিয়ামেন্ট

**ইম্ফাল, মার্চ২৫ (ঐচএনএস) :** গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টসকী মখাদা ওটোনোমস বোদি ওইরিবা মাই ভারতকী ষ্টেট দিরেক্টর (মণিপুর), ইম্ফালগী চেরোল অমদা মতম অমদা এন ৱাই কে এস হায়রম্বা হৌজিক্লা মেরা য়ুব ভারত হায়রবা বোদি অসিনা দিষ্ট্রিক্ট, ষ্টেট অমসুং নেশনল লেভেলদা বিক্সিট ভারত য়ুথ পার্লিয়ামেন্টকী থৌরমশিং পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

পান্দম অসিগী মখাদা মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট ১৫দা দিষ্ট্রিক্ট রাউন্দ কম্পিটিশনশিং মপূং ফানা পাঙথোকখ্রে। ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## এসেমব্লিগী ফাইনান্সিএল কম্মিটি ৩

**ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচএনএস) :** মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী সেক্রেটরি রোহিট শাপমনা ঙরাং থোকপা বুল্লেটিন-পার্ট টু (নম্বর ৫৩)গী মতুংইন্না এসেমব্লি অসিগী মেম্বর অহুম্ব কুমজা ২০২৬-২৭কী ওইনা ফাইনান্সিএল কম্মিটি অহুমগী চ্যেরমেনশিং ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীরে হায়রি।

চেরোল অসিগী মতুংইন্না চ্যেরমেন ওইনা খল্লবশিংদি সূর্য্যকুমার ওক্রম (কম্মিটি ওন পব্লিক একাউন্টস), শৈখ নুরুল হাশন (কম্মিটি ওন ইষ্টিমেটস) অমসুং থোকচোম রাধেশ্যাম (কম্মিটি ওন পব্লিক অন্দরটেকিংস) নি হায়রি।

## মে ৩,২০২৩দগী খঙহৌদনা কুকি অমদি মীতৈগী লান হৌরকপদগী লৈবাক অসি থক-খা ওনখি : সত্যব্রত

### সোশল মীদিয়া লান্না শীজিন্নবনা ঈরাং চাউথোকহল্লি মীয়াম্না অফ-ফত্ত খঙনা শীজিন্নবীয়ু

**ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচএনএস) :**

সোশল মীদিয়াবু লান্না শীজিন্নবনা ঈরাং চাউথোকহনবগী মরম অমা ওইহল্লে হায়রদুনা মীয়াম্না সোশল মীদিয়াবু চুম্না অমদি অফ-ফত্ত খঙনা শীজিন্নবীয়ু হায়না স্পিকর টি ঐচ সত্যব্রতনা ফোঙদোকখ্রে।



ৱাফম অসি ঙসি য়াইস্কুল এ সীগী ব্রহ্মপুর নহাবমদা মদনমোহন জি লাইশঙগী নৌনা শাবা মান্দব শঙ্গাবগী থৌরমদা মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

স্পিকরনা মখা তানা হায়, সোশল মীদিয়াদা কনাগুম্বা খরনা অচুম-অরান খঙদনা পাউ শন্দোরকপদগী মীয়াম্বু লান্না লমজিংদুনা ঈরাং থোকহল্লকপগী মরম ওই। সোশল মীদিয়া হায়বসি য়াম্না কান্নবা প্লেটফোর্মনি অদুবু অফবা অমসুং চাওখৎ ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## ইম্ফালদা লৈগদবা মিনিষ্টরদা টি এ অমসুং হিলসকী পোর্টফোলিও পীবিয়ু

**ইম্ফাল, মার্চ২৫ (ঐচএনএস):** লৈঙাক্কী ত্রাইবেল এফেয়রস এন্দ হিলস অমসুং মণিপুর ত্রাইবেল দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেশনগী চ্যেরপর্সনগী ফম অসি দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর নেমচা কিপগেনদা শীন্নরবসু হৌজিক লৈরিবা ৱাথোকশিং অসিনা মরম ওইরদুনা মহাক্লা ইম্ফালদা ষ্টেশন তৌবা ঙমদবদগী মীয়াম্না অমসুং মরী লৈনবা ষ্টেকহোল্ডরশিংনা মহাক্লা উন্নদুনা লোয়শঙশিং অসিগা মরী লৈনবা মরু ওইবা ইস্যুশিংগী তাথোক তাশিন তৌবগী খুদোংচাবা ফংদ্রে হায়না ইন্দিজিনস পিপলস ফোরম মণিপুর, ফুট হিলস নাগা কোওর্দিনেশন কম্মিটি অমসুং মণিপুর নাগা য়ুথ ওর্গনাইজেশনন চীফ মিনিষ্টরদা অইবা চেরোল পীশিনখ্রে।

ঙসি পীশিনখিবা চেরোল অসিদা ইম্ফালদা ষ্টেশন তৌবা ঙমদবা মীওইদা টি এ অমসুং হিলসগী পোর্টফোলিও অমদি মণিপুর ত্রাইবেল দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেশনগী চ্যেরপর্সনগী ফম অমুক হন্না পীবিগনু হায়নসু তকশিনখ্রে হায়রি।

## তংদু-লৈতাদ্রিবা ফাওবা সেন্সস য়ৈথোক্কদবনি : নেকেন

**ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচএনএস):** মথং থাদগী মণিপুরদা পাঙথোক্কনি থৌরাংলিবা মীকোক থিবগী থবক অসি মতম চাদে অমসুং ষ্টেট অসিদা তংদু লৈতাবা লৈত্রিবা ফাওবা য়ৈথোক্কদবনি হায়না এম পি সী সীগী ৱাঙাঙলোইসু ওইরিবা জেনরেল সেক্রেটরি সেরাম নেকেননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ফোঙদোকপা ভিদিও ক্লিপ অমা সোশল মীদিয়াদা অপলোদ তৌরকখিবগা লোয়ননা পাউচে অসিদসু পীরদুনা মহাক্না হায়, হৌজিক মণিপুরদা আই দি পি কয়া অমা রিলিফ কেম্পতা লৈবদা নত্তনা লোনা য়াদনা চঙশিল্লকপা মীওই কয়া অমসু ষ্টেট অসিদা লৈরে হায়বসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা খঙগদবনি। তাঞ্জাসিদা সেন্সস পাঙথোকপা হায়বসি ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিংবু লৈবাক অসিগী সিটিজেন ওইনা ওস্থোক্লবা হোৎনবনি হায়রি।

করিগুম্বা মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তা নমদুনা সেন্সস পাঙথোক্লবদি বি জে পিগী লৈঙাক অসিনা মণিপুর মূখুৎপা পাম্বা অমদি মীতোপশিংদা ফিদা পীবা লৈঙাকনি লৌগনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোরক্লি।

## নুপামচা ১ মফম খঙদ্রে



**ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচএনএস) :** ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী পোরোম্পাৎ পি এসনা কোনবা নহারুপ মখাপাৎ অৱাংদগী তেন্সুবম দষ্টারানা এলিয়জ দুংচা কৌবা মশাগী চহী ১৮ লোম শুরবা নুপামচা অমা ঙরাং অয়ূক পুং ৮.৩০ রোম তারকপদগী য়ূমদগী থোকখিবদগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## প্রিপাককী রেদ আর্মি অহুম প্রমোশন পীরে

**ইম্ফাল, মার্চ ২৫ :** পিপলস রেভল্যুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক) কী রেদ আর্মিগী চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ (সী এ এস) এন রোমি মৈতৈনা থোকপা চেরোল অমদা লালহৌলূপ অসিগী রেদ আর্মি অহুম প্রমোশন ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## কে সী পি-পি দব্লিয়ু জিগী ৱাফম

**ইম্ফাল, মার্চ ২৫ :** কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি (পি দব্লিয়ু জি) এম সী য়ুনিফিকেশনগী পি আর ও চীঙ্খেঙানবগী চেরোল অমনা ৱাফম খরা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মতম শাংনা য়াওল্লুপকী ইকায়খুম্নবা ঙাক্তুনা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## হৌজিক ফাওবা ইশাগী য়ূমদা হঞ্জিনহনবা ঙমদবা অমসুং নাখৈ শেংবা লৈফম পীবা ঙমদ্রবনিনা হাৎতোকপীরো হায়নীংলক্লে : ইবেয়াইমা

**রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী**
**হকথেংনবা পাউদম**
**কাংপোকপী কৈথেলদগী খুঞ্জা**

**(হান্নগী মখা...)** কাংপোকপী কৈথেলদগী লাঞ্জেল্লক্তুনা লম্বোইখোংনাংখোঙদা লৈবা লৈঙাক্কী মণিপুর ত্রেদ এন্দ এক্সপো সেন্টরদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা হৌজিক ফাওবা চঙজফম লৌরক্লিবী নিংথৌজম ইবেয়াইমা (৬৭)না পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, কাংপোকপীদা লৈজরিঙৈদদি ইশানা শুজ-নোমজৈ। লল্লোন-ইতিক তৌদুনা চানীংবদা চাই, শেৎনীংবদা শেৎলি অদুবু মফম অদুদা লৈবা মীতৈশিংবু তাম্থোক্লবা কুকিশিংনা হোৎনরক্লে হায়বসি খঙহৌদবদগী ঙসিদি রিলিফ কেম্প অসিদা চঙজফম লৌদুনা ঐখোয়বু য়েন ব্রোইলর লোয়বদৌনা থম্বীরে। থা অমগী মী অমগী চাননবা চেঙ কিলোগ্রাম ৫/৫ পীরি। অদুবু সুপরফাইন ওইবনিনা চেঙ অসি চাবদা লৈগা লোইনা য়াৎলে। মৈ অমসুং ঈশিংগী ককখ্রগা নোংমদা লুপা ৮৪ ফংলি। অদুবু হায়রিবা শেনফম অসিনদি এঞ্জাং লৈবা ফাওবা কোন্নবা নত্তে। হৌজিক লৈরিবসি ইচাগা ইমৌগা অমসুং ইশুগা য়াওরগা ঐখোয় মঙা পূন্না লৈমিন্নরিবনি। চাক-এঞ্জাং খক্তমক চারগা লৈবসু য়াবা নত্তে। নারক-য়েল্লকপা হায়বা অমসু লৈ। ঐখোয়সু মীনিনা নোংমগী পূন্সিদা চঙদবা য়াদ্রবশিংসু মায়োক্লরকই। অদুবু হৌজিক ঐখোয়না কাংপোকপীদা লৈরিঙৈদা চানীংবতা চাবা ফংবা অমসুং শেৎনীংবদা শেৎপা ফংবা অদুগুম্না ফংহনবীয়ু হায়বা নত্তে। ঐখোয় রিলিফ কেম্পতা ৱাবা য়াবা ৱারে। ৱাবগী পনখৈ লৈরক্ত্রে। ইখূৎতা শিকি অমা ফাওবা পায়দ্রে। মরম অসিনা ঐখোয়বু ফীভম অসিদা অদুমক লৈহনবীগদবা ওইরবদি হাৎতোকপীবনা ফরে হায়বগী ৱাখল খল্লক্লে। তশেংনমক ঐখোয় হিংনীংদ্রে হায়রকখি।

ওল্ড এজ পেন্সনসু পীবিদ্রে। জোব কার্দ পায়দুনা থবক শুরবসু খূৎশুমল ফংদ্রে। হৌজিক ফাওবদা ফংফম থোকপা শেনফমশিং ইশাগী একাউন্টতা চঙলক্ত্রে। লৈঙাক্লা শেল থাদোরক্তবদগী পীরক্তবনি হায়দুনা লৈরে। জোব কার্দ পায়দুনা হৌখিবা জন্যুৱারী থাদা থবক শুখিবগী শেল হৌজিক ফাওবা ফংদ্রি। কাংপোকপীদা লৈরিঙৈদসু জোব কার্দ পায়দুনা থবক শুই। রিলিফ কেম্পতা লৈরবসু মখা তানা শুই। কাংপোকপীদা লৈরিঙৈদদি ওল্ড এজ পেন্সনগী শেলদি ফংই অদুবু রিলিফ কেম্পতা লৈরকপদগীদি ফংদ্রে হায়রকখি। (মথং-মথং)

## লৈঙাক্লা থম্নাপোকপী মনীং চীংখোঙদগী পিদোনু চীংজিন ফাওবা কেনেল তৌদুনা লম্বী শেম্বীরবদি চীঞ্জাক হেন্না পুথোকপা ঙমগনি

বিজয় লাইশ্রম

**ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচএনএস) :** ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী লম্লাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চল্লিবা থম্নাপোকপী মনীং চীংখোঙদগী নাপেৎপল্লিগী পিদোনু চীংজিন ফাওবগী মরক্তা লৈঙাক্লা ঈশিং য়োক্তুনা থম্নবগীদমক চীংখোঙ অমদি লৌবুকশিংগা তাইনবা অহাঙবা মফমশিংদা অশাংবা কেনেল তৌদুনা থম্বীবগা লোয়ননা চৎথোক-চৎশিন তৌবা য়াবা লম্বী শেমগৎপীরবদি হায়রিবা মফমশিং অসিনা কোল্লিবা লৌবুকশিংদা লৌমীশিংনা দবল ক্রোপিং তৌদুনা লৌ উবা ঙম্বগা লোয়ননা নীংথম অমসুং কালেনগী মনা-মশিংশিং মরাং কায়না পুথোক্তুনা মণিপুরনা চীঞ্জাক্তা মীপাল তাংদনবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি হায়না থম্নাপোকপী খুলগী লুচিংবা অহল লৈতাম্থেম মোধুচন্দ্রনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্লা পাউচে অসিদা হায়, থম্নাপোকপী খুলদগী



নাপেৎপল্লিগী পিদোনু চীংখোঙ ফাওবদা লৌ পরি লিশীং কয়া লৈরি। চহী অমগী লৌ ...মখা লমায় ৩ কলম ২

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫